# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-09-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর, থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফম খরদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মাওবোম জিলাদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা ফিট মঙা হেন্না শাংবা রোকেট বোম অমা, ফিট অহুমলোম শাংবা রোকেট বোম অমা, মোটোর বোম তরেৎ, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৯, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, গ্রেট টুগী এক্সপ্লোসিপ কিলোগ্রাম তরুক য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। জিলা অসিগী মোলজোল খুলদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা পোম্পী মোটার মরি, মোটার বোম অহুম ফগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ফুঙ্গৈ চীংদসু থিবা হুন্দ্বগী থবক চখখি। মদুদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এমগী এস.এম.জি. করবাইন অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিনগা কোন্নবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, ট্যুব লোঞ্চর অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১১, দিটোনেটর অমা, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদনচিংবা ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোঙনাংপোকপী চীংশাং পরেংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চখবদা মেগজিন অনি য়াওবা এম.পি. ফাইব এ-থ্রি মেছিন পিষ্টোল অনি, ইনসাস রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৭ ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে টু অমসুং ৩৭ তা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩৬৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা

ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নহা ওইরিবশিংবু আমদ ফোর্সেসতা য়াওহন্নবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং উখ্রুল জিলাগী হোলি স্প্রিং হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা স্বার্চতা হি-সেভাগী মখাদা উখ্রুল জিলাগী তুসোম ভিলেজতা লম-তু শেংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থিংজিনদুনা লৈরিবা ইরম-নালাশিং জে.সি.বি. শিজিন্নদুনা শেংদোকপগী থবক চথ্রখি।

ভারত লান্মীনসু চুরাচান্দপুর জিলাগী এস. কোটলিয়ান খুলদা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা নৌনা শাখিবা কম্প্যুটর লেবোরেটোরি অমা ঙরাং শাঙ্গখ্রে।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী সৈতাপুর খুলদগী লিননা চিকপদগী শোক্লবা নুপীমচা অমা ভারত লান্মীনা কনবা ঙমখ্রে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-গেভি ভেক্সিন এল্লাইয়েন্স অমসুং ক্বাট ইনিসিয়েটিবকী মখাদা ইন্দো-পেসিফিক লৈবাকশিংগীদমক্তা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৪০ ভারতনা পীরগনি।

ক্বাট মীফমদা শরুক য়াখিবা প্রধান মন্ত্রিনা ৱাফম অসি কেন্সর মুনশুদ ইভেন্ট থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। থৌরাং অসিনা কেন্সর লায়না খঙদোকপা, ঙাকথোকপা অমদি লায়েংবদা চাউনা মতেং পাংগনি। আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-জো বাইদেনা ক্বাট লৈবাকশিংদা মগুন লৈবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং পীগনি হায়রিবা অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্রনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-কোবিদ লায়চৎ মনুংদা ক্বাট লৈবাকশিংনা ইন্দো-পেসিফিক লমদমদা কোবিদ ভেক্সিন পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি অমদি হৌজিকনা সরভাইকেল কেন্সর থেংননবা অচৌবা শিংনবা অমগা লোয়ননা

খোঙ থাংজিল্লকখি। মসিগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা অমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-জো বাইদেনগা মহাক্কী ময়ুমদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি।

**তোবেকো ঃ** নহাশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা থিংনবা কেন্দ্রনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহনখ্রে।

মহৈ তম্ফমশঙশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা মপুং ফানা থিংনবা কেন্দ্রগী শিক্ষা অমদি হকশেল মন্ত্রলয়না মসিগী মতাংদা অপুনবা এদভাইজরি অমা থোক্কুনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা খঙহনখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা মহৈ লোইশঙশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা পীবা অমাঙবশিংগী মতাংদা খঙহনগনি অমদি পোৎলমশিং অসি চাদনবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎনবা পান্দম থল্লি।

**জম্মু ঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তাঙ্কক অসিদা জিলা তরুক্কী বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মীখল পাঙথোক্কনি।

বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লমদম অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। মদুগী মনুংদা লালহৌবগী সমস্যা কয়া লোয়শিনদুনা শান্তি পুরকপা ঙমলে। পুঞ্চ জিলাগী মেন্থরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়-হৌজিক্তি জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী নহাশিংনা নুঙ পায়দুনা হিংশাগী তৌরম্ববগী মহুৎতা হৌজিক্তি মখোয় মখোয়গী মখুৎতা লেপটোপশিং পায়রে। শ্রী সাহনা রতচৌরি অমসুং জম্মু জিলাশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী মকোক-মালিক অরজ্ন খর্গে, জম্মু কাশ্মির বিধান সভা মীখলগীদমক ভোট খোল্লি। মহাকা হায়-রাহুল গান্ধিদা কিহল্লকপগী মায়োক্তা দল অসিনা খোঙজং চংশিনগনি।

মরক অসিদা, বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-জে.এম.এম, কংগ্রেস অমসুং আর.জে.দিনা ঝরখন্দবু চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবদা দল অহুম অসিনা অপনবা পীরি। সাত্রাগী ইখোরিদা পাঙথাকপা পরিবরতন রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা জে.এম.এম. সরকারবু শেঞ্জা থুমজা তৌই হায়না মরাল শিরি।

**নদ্দা ঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা হায়রি-এন.দি.এ সরকার লাকপদগী লৈবাক অসিদা হেন্না চাওখৎপা পুরকপা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী নদ্দানা হায়-সরকার অসিনা আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা হায়বা স্কিম অসি হৌদোকপদগী চহি ৭০ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা চাউনা কান্নবা পীরি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেনিয়র সিতিজন কোতি ৬ তা লুপা লাখ ৫ গী লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা স্কিম অসি মথং থাদগী চৎনবা হৌরগনি।

মহাকা মখা তানা হায়-য়ু ৱিন পোর্তেল হাংদোকপদগী মীরোনবী নুপী অমসুং অঙাংশিংদা ভেক্সিনেসন সার্ভিস দিজিতেলগী খুথাংদা পীবা ঙমলে। শ্রী নদ্দানা হায়-ভারত্তা লৈরিবা হেলথ ইন্সটিট্যুট অমসুং এইমস হোস্পিতাল ১৫ দা দ্রোন সার্ভিস হাংদোকবা শেম শারে। মেদিকেল কলেজ অমসুং এম.বি.বি.এস অমসুং পি.জিগী সিট হেনগৎপনা লৈবাক অসিদা ডোক্তর মরাং কায়না লৈহনবা ঙল্লগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা রাস্ত্রপতি ভবনদা ঙরাং

মাওওইষ্টকী ইরাংনা শোকহল্লবা ছাতিসগরগী বাস্তর লমদমদগী লাকপা মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-হিংশানা কৈদোনুংদসু অচুম্বা, শান্তি, চাউখৎপা অমদি অফবা মায়কৈদা খক লাকপা ওইথোক্তে। মসিনা খুন্নাইদা অহোইনদুম অৱা চৈথেং কয়া পী। রাস্ত্রপতিনা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজশিংদা হিংশা থাদোকবা তকশিনবগা লোয়ননা সরকারনা মখোয়দা পীবা য়াবা মতেংশিং পীদুনা য়ান্নদবা পুমমক্কী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নোংলৈ নুংশিৎনা মনিপুর ঙরাং য়ুম কয়া অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ, জিরিবামদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অমদি মনিপুরদা মুক রিবা কাংলুপ অনিনা ৱারী শান্নদুনা শান্তি পুরকবা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরন রিজিজ্না আপিল তৌখিবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-বন্দ, নোংলৈ নুংশিৎনা মীয়ামগী পন্সিদা চুনা অকায়বা পীখ্রে, য়ুম কয়া হুমদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুম কয়া হুমদোকখ্রে, নুপী অমা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-জিরিগী মৈতৈ খুলদা কুকিশিংনা অকনবা মওংদা লাণ দাশিল্লক্লে, চুরাচান্দপুরগা তায়নবা মফমদগী সেক্যুরিতিনা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ৱারী শান্নবা খক্তনা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়না কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি

এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুর ন্যুজতা-কুকিশিংনা থাদৌ লুচিংবা লমজাথাং হাওকিপকী য়ুম মৈ থাখিবগী কেস এন.আই.এদা শিন্নবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-ফেন্সিং খাবা, এফ.এম.আর. লৌথোকপা আই.এমনা ক দম তৌরক্লি। ফেন্সিং খানবা হোৎনবদা থোকপা তেকচাক ইন্দিয়ানা পুগদবনি-আই.এম. হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুর কনখিবগী ৭৬ শুবা নীংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে। ইরাবতকী থৌনানা মনিপুর কায়হন্দনা থম্লম্বনি। হৌজিকা থৌনা ফবা লুচিংবা লৈতবদগী মীয়ামবু ওৎলকপনি হায়না সি.পি.আইগী লুচিংবা ডা: মোইরাংথেম নরানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লমদম অসিবু থুগায়নবা শিল্লক্লিবশিংগী মথক্তা য়ু.সি.এমনা মতম চুপ্পদা লেপকনি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-চুরাচান্দপুর জিলাদগী ইমপ্রোভাইজ রোকেট মোটার বোম কয়া ফাগৎখ্রে, তরারক শুবা ওইনা জিরিবামদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লা দারকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কাংপোকপীদা লৈরম্বা অসাম রাইফলস সি.আর.পি.এফনা শিন্দোকখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুরদা মেলদা-অতিসি, দিল্লিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙরাং ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।